# রাফেল নেগোসিয়েসন লূচীংখিবা এয়ার মার্শেল এস পি বিগী সিনহনা রাহুল গান্ধীগী ৱাফম শীধখ্রে



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১১ঃ***

ইন্দিয়াগী নাকনদগী রাফেল নেগোসিয়েসনগী মকোক ওইখিবা এয়ার মার্শেল এস পি বি সিনহনা ফ্রান্সকা রাফেলগী দিল তৌনখিবা অদুদা গভর্ণমেন্টনা করপসনগী থবকশিং তৌই হায়বা ৱাফম অমখক অতন্নবা উৎননবগীদমক দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী নোট অদুবু মপূং ফাদনা মচেৎ–মচেৎ খনগৎলগা শিজিন্নখি হায়না শাথিনা চৈরদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীবু শীধখ্রে।

পাউগী এজেন্সি এ এন আইদা ৱারি শান্নবদা এয়ার মার্শেল এস পি বি সিনহনা হায়খি, করিগুম্বা ৱাফম অমখক প্রমান তৌনবনি হায়দুনা অখন্নন নোট খরা খনগৎখি। অদুবু অশেঙবদি হায়রিবা নোটশিং অদু অমত্তা ইন্দিয়ান নেগোসিয়েটিং টিমগা মরী লৈনদে।

ইন্দিয়ান নেগোসিয়েটিং টিমগী মীওই ৭ অদু লোয়নমক্না য়ানদবা অমত্তা য়াওদনা মখোয়গী ফাইনেল রিপোর্ট থাগৎখি হায়না মহাক্না চেৎনা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টকা গভর্ণমেন্টকা কন্ট্রেক তৌনবদা এন্টি–করপসন ক্লোজগী মতাংদা পল্লদুনা এয়ার মার্শেল সিনহনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা ঐখোয়না অমেরিকা অমসুং রসিয়াগা গভর্ণমেন্টকা গভর্ণমেন্টকা কন্ট্রেক তৌনবা লৈখ্রে। ফ্রান্সকা তৌনরিবা অসিনা গভর্ণমেন্টকা গভর্ণমেন্টকা তৌনবা অহুমশুবা কন্ট্রেকনি।

রাফেল দিলগী মতাংদা পি এম ওনা পেরেলেল নেগোসিয়েসন চৈখে হায়বগী মতাংদা পাউ–চে অমদা ফোঙলকখিবা পাউ অদু মপূং ফাদবা অমসুং আচুম্বদগী শেমদোক্লবা অমনি হায়না ইরাই নুমিৎতা দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমননা হায়খি।

কোর্পোরেট ৱারফিয়ার খরগী মরক্তগী মীয়ামগী ৱাখলদা অতমননা চীংনবা পোকহন্নবা কনাগুম্বা অতন্নবা মীওই খরনা থবক চত্থরি হায়না মিনিষ্টরনা হায়খি।

রাফেল দিলগী মতাংদা ইৎতত্তনা ৱাহং পুখৎলকপগীদমক দিফেন্স মিনিষ্টরনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রহুল গান্ধীবু চৈখি। রাহুল গান্ধীনা মমা সোনিয়া গান্ধী অমসুং মসেন নুপা রোবার্ট ভদ্রগা লোয়নননা বেলদা লৈরিবনি, মহাক্না করপসনগী মতাংদা ৱা ঙাংনবগী হক লৈতে।

দিল নৎত্রগা প্রোজেক্ট অমদা থবক কমদৌরিবগে য়েঙশিনবা হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টরগী মথৌনি। রাফেল দিলগী মতাংদা পি এম ওনা করিগুম্বা খঙনিংবশিং হল্লকপা তারবসু মদু খূৎ থিংজিনবা হায়না লৌবা য়ারোই হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

# সিখশিংগী মক্কা, মেদিনা ঐখোয়গীদা লৈ ঃইমরান খান

***দুবাই, ফেব্রুৱারি ১১ঃ***

পাকিষ্টাননা সিখশিংগী মক্কা অমসুং মেদিনা লৈ অমসুং মাইনোরিটি কম্যুনিটি অদুগী মরুওইবা মফমশিং অদু লৈবাক অসিনা হাংদোক্তুনা থম্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না হায়খি।

ইন্দিয়াগী সিখশিংনা লাই খুম্বা চৎপদা ভিসা য়াওদনা চৎপা য়ানবগীদমক ইন্দিয়াগী গুরুদাসপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা দেরা বাবা নানক শ্রাইনগা গুরু নানক দেবগী অরোইবা য়াহীফম– পাকিষ্টানগী করতারপুরদা লৈরিবা গুরুদ্বারা দরবার সাহীবকা শন্নহনবা লম্বী কোরিদর অদুগীদমক হৌখিবা চহীগী নবেম্বর থাদা ইমরান খান্না উরেপ–উয়ুঙ তমখিবনি।



য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ মোহমেদ বিন রসিদ অল–মকতৌউমনা বার্ত্তন তৌরকখিবদগী ৭শুবা ৱার্ল্ড গভর্ণমেন্ট সমিট য়াওননবা পাকিষ্টান প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা নোংমগী খোঙচৎ অমদা লৈবাক অসিদা লাকখিবনি।

মদুদা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা মহাক্না হায়খি, ঐখোয়গীদা সিখশিংগী মক্কা অমসুং মেদিনা লৈ। সিখশিংগী অদুগুম্লবা মফমশিংদা ঐখোয়না চপচানা থোঙ হাংদোক্লি।

মক্কা অমসুং মেদিনা হায়রিবশিং অসি ইস্লাম লাইনীঙগী খ্বাইদগী শেংবা মফমশিংনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী ভিসা রেজিম হাংদোকখ্রে। পাকিষ্টানদা অহানবা ওইনা এয়ারপোর্টতা লৈবাক ৭০দগী মীয়ান্না লাকপা য়ারে অমসুং ভিসা লৌরবা য়ারে হায়না প্রাই মিনিষ্টরনা হায়খি।

দেরা বাবা নানক শ্রাইনদগী কিলোমিটর ৪ লোম লাপ্পদা রবি তুরেল ৱাংমদা পাকিষ্টানদা করতারপুর সাহিব লৈ। মদু ১৫২২দা সিখ গুরু অদুনা লিঙখৎখিবনি।

অহানবা গুরদ্বারা, গুর দ্বারা করতারপুর সাহিব অসি গুরু নানকনা শিখিবা মফমনি হায়রিবা মফম অসিদা শাখিবনি। কারতারপুরদা গুরদ্বারা দরবার সাহিবতা ইন্দিয়ান সিখ পিলগ্রিমশিংবু ভিসা য়াওদনা চৎপা য়াহনগদৌরিবা করতারপুর কোরিদর অসি থুনমক শেম্বা লোয়শিল্লগনি থাজরি।

গুরু নানককী চহিগী মপোক কুমওন থৌরম পাংথোক্লবগীদমক ইন্দিয়াদগী সিখ লাইনিংবা লিশিং কয়ানা চহি খুদিংগী পাকিষ্টানদা চৎলি। চহি ২০ লোমগী মমাঙদগী হায়রিবা লম্বী অদু শেন্নবা অমসুং হাংদোক্লবা পাকিষ্টানদা ইন্দিয়ানা হৌদোকখ্রবনি।

# ‘চয়োল খরগী মনূংদা সিরিয়াদগী য়ু এস লান্মী লৌথোক্লবা য়াই’

***য়ূ এস মিলিটরি প্লেন অমগী মথক, ফেব্রুৱারি ৩ঃ***

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়াথঙ পীদুনা সিরিয়াদগী য়ু এসকী কংফাল লন্মীশিং লৌথোকপা হৌগদবা চয়েল খরা খক্তা ঙাইরে হায়না ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা মিদ্দল ইষ্টতা অমেরিকান ফোর্সশিং য়েঙশিল্লিবা মকোক থোঙবা য়ু এস কমান্দর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস সেন্ট্রেল কমান্দগী মকোক জেনরেল জোসেফ ভোটেলনা য়ু এসনা ঙাক্লৌ পীবা ফাইটরশিংনা ইরাক ঙমখে মনাক্তা আই এস আই এস লৈফমশিংগী মথক্তা অরোইবা এটেক চত্থখিবা সিরিয়াগী ফিভমগী মখা পোন্না লান্মী লৌথোকপা হৌগনি হায়খি।

য়ু এসনা হান্ননা সিরিয়াদগী ইক্যুমেন্ট লৌথোকপা হৌখ্রে। মফম অসিদা লৈরিবা য়ু এস লান্মী লিশিং অমা হেনবদু চয়োল খরগী মনূংদা লৌথোকপা হৌরবা য়াই অদুবু থোক্লিবা ফিভমগী মখা পোনগনি হায়খি।

অতোপ্পা ৱাহং অমনা সিরিয়াদা লৈরিবা য়ু এস লান্মী খরা থঙনবা ইরাকতা অমুক থমগদ্রা হায়বসিনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা বাগদাদপু আই এস আই এস থেঙনবা ঙমহন্নবা অমসুং গ্রুপ অসি অমুক হৌরকপা থিঙনবা লান্মী লিশিং ৫ হেন্না থম্লি।

অদুবু ইরাকতা থম্লিবা লান্মী মশীং থোইনা হেনগৎলোই হায়না জেনরেল ভোটেলনা হায়খি।

হৌখিবা চয়োলদা পাউগী এজেন্সি রোইটরসনা উখিবা ই –মেল রিপোর্ট অমনা ইরাক অমসুং



সিরিয়াদা ফোরেন ফাইটর লিশিং ৩ রোম ফাওবা য়াওনা আই এস আই এস টেরোরিষ্ট লিশিং ১৮ য়ৌনা লৈ হায়না পাখি।

গ্রুপ অসিনা এভিয়েসন্দা এটেক তৌবা অমসুং কেমিকেল, বাইওলোজিকেল, রেদিওলোজিকেল, অমসুং ন্যুক্লিয়ার মেটরিয়েলশিং শিজিন্ননবগী অনীংবা লৈ হায়না য়ু এন রিপোর্ট অদুনা ৱার্নিং তৌখি।

# লোকপাল লৈরম্লবদি প্রাইম মিনিষ্টরনা রাফেল ৱাথোক্কী মরুওইবা একুয্জ ওইরমগনিঃ বীরাপ্পা মোইলি



***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১১ঃ***

করিগুম্বা লোকপাল থবক ওইনা পাংথোকলম্লবদি রাফেল দিল অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা একুয্জ নম্বর ৱান ওইরমগনি হায়বা ৱাফম থম্লদুনা মহাক্কী ফম্লবা মরেংবান অদুদা বুল্লেট ওফ করপসন থম্বা চল্লোই হায়না ঙসি লোক সভাদা কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।

রাফেল দিলদা কনাগুম্বা মরানলৈবা ফঙবা তারবদি মদু প্রাইম মিনিষ্টরনি, প্রাইম মিনিষ্টর মতোম খক্তনি হায়বা কোংগ্রেস লূচীংবা বীরাপ্পা মোইলিনা ইন্টরিম বজেটকী খন্নরকপদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমসুং য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী মথক্তা অকনবা মওংদা ঙাংখ্রে।

হৌজিক রাফেল দিলগী ৱাফম অসি য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা খঙনরক্লবা হুরান–চীথিগী ৱাথোক ওইরক্লে অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ঙসি মাগী দাইত্ব নাম্থোক্লবা য়াই, অদুবু লাক্কদৌরিবা নুমিৎশিংদদি নাম্থোকপা ঙম্লরোই হায়না বীরাপ্পা মোইলিনা হায়খি।

গভর্ণমেন্টপু করপসন তৌই হায়না কোংগ্রেসনা মরান শীরিবা রাফেল দিলগী মতাংদা মিষ্টর বীরাপ্পা মোইলিনা মখা তারদুনা, লোকপাল (লো) করি মরমগী থবক ওইনা পায়খৎত্রিবনো হায়বদু হৌজিক ময়েক পূংশেং শেঙলে। করিগুম্বা আইন অদু লৈরম্বা তারবদি প্রাইম মিনিষ্টরনা নম্বর ৱান একুয্জ ওইরমগনি হায়খি।

মহাক্না লোকপাল হায়রিবসি এন্টি–করপসন ওম্বদসমেন লিঙখৎনবগী আইন অদুবুনি। মশাগী মরান লৈবগী ৱাখল অসিগী মরমদগী য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী য়েক্লবশিংগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিশিং শিজিন্নবনি হায়না বীরাপ্পা মোইলিনা মরান শীখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মমাঙগী মতমদা রাফেল দিলগী মতাংদা কোংগ্রেসকী মথক্তা ৱাফম কয়া ঙাংখ্রে। কোংগ্রেস পার্টিনা লৈবাকসিগী আর্ম –ফোর্সশিংবু মপাঙ্গল কনখৎহনবা পামদে হায়না মহাক্না হায়খি।

প্রসিদেন্ট’স এদ্রেসতা মোসন ওফ থেঙ্কসকী খন্নরকপদা মহাক্কী পাউখুম পুরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টকী মখাদা শেনঞ্জা –থুমজা অমসুং ময়াইচাবী য়াওদবা দিফেন্স দিল অমত্তা লৈতে হায়খি।

# এ এ পিনা বি জে পিনা লূচীংবা গভর্ণমেন্টকী মথক্তা লোক সভা মীখলগী কেম্পেন হৌরগনি

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১১ঃ***

য়ুনিয়ন টেরিটোরি দিল্লিগী লৈঙাক পায়রিবা আম আদমি পার্টি (এ এ পি)না সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লূচীংবা গভর্ণমেন্টকী মথক্তা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী কেম্পেন হৌরগনি হায়রি।

এ এ পি দিল্লি কনভেনর গোপাল রাইনা পাউমীশিংদা হায়খি, পার্টি এম এল এ শিং অমসুং কাউন্সিলরশিংনা মীয়ামগা তোৎনা– তিন্নরগা ৱারী শান্নরগনি অমসুং মীখলগী কেম্পেন চত্থরকপদা মোদি গভর্ণমেন্টপু শক্তিদগী লংথোকখিনবা মখোয়দা হায়জরগনি।




সুপ্নমগী সেন্টর লৈঙাক্কী মথক্তা ফেব্রুৱারি ১১দা জন্তর মন্তরদা ওপোজিসন পার্টিশিংগী অচৌবা মীফম অমা এ এ পিনা শিল্লগনি। ফেব্রুৱারি ১৩গী মীফম অসিগী মতূংদা এ এ পিনা দিল্লিদা মোদি–শাহ জুরাগী ময়োক্তা লাঞ্জং হেন্না কনশিল্লগনি। ফেব্রুৱারি ১৫দগী লোক সভা মীখলগীদমক কেম্পেন হৌরগনি হায়খি।

ফেব্রুৱারি ১৩গী অচৌবা শক্তি উৎপা থৌরম অদুগীদমক কোংগ্রেস বার্ত্তন তৌখিবরা হংবদা এ এ পিগী কনভেনর অসিনা হৌখিবা থাদা ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা শিনখিবা মীফমদা য়াওখিবশিং লোয়নমক বার্ত্তন তৌখ্রে হায়খি।

মোদি গভর্ণমেন্টকী ময়োক্তা মমতা বেনর্জিগী হন্দক্কী মীফম শরুক য়াখিবা পূন্নমক্তা বার্ত্তন থাখ্রে। জন্তর মন্তরদা ফেব্রুৱারি ১৩ মীফমগী মতাংদদি মখোয় (কোংগ্রেস)দা ৱারি শান্নখিদ্রি হায়না এ এ পি লূচীংবা অদুনা হায়খি।

অদুবু ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা লিখুন খরনা ফোঙদোকপদা শরক য়াগদৌরিবা অতৈ ওপোজিসন লূচীংবশিংগী মনূংদা মমতা বেনর্জি অমসুং চন্দ্রবাবু নাইদুসু য়াওগদৌরিবা অচৌবা ওপোজিসন মীফম অদুদা কোংগ্রেস পার্টিদি শরুক য়ারদবা য়াই হায়রি।

# পুলিস কমিস্নার, হান্নগী ট্রিনাবুল লূচীংবা সি বি আইগী মাঙদা লাকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১১ঃ***

চীট ফন্দ কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেসনশিংগা মরীলৈননা কোলকাটা পুলিস কমিস্নার রাজীব কুমার অহুমলকশুবা ওইনা মচীন হংনবগীদমক ঙসি সি বি আইগী মাঙদা লাকখ্রে।

চীট ফন্দ স্কাম অসিদা অতোপ্পা একুয্জ, হান্নগী ত্রিনামুল কোংগ্রেস লূচীংবা কুনাল ঘোসনা থুংলখিবগী পূং অমগী মতূং ঙসি অয়ুক পূং ১১দা মিষ্টর কুমারনা সি বি আই ওফিসতা থুংলখি।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা থিজিনবগী এজেন্সি অসিনা শরধা চীট ফন্দ অমসুং রোজ ভেল্লি স্কামশিংগা মরীলৈননা পূং ৫ মিষ্টর কুমারবু মিষ্টর ঘোসকা ফম্মিনহল্লগা ৱাফংনহনখি।

হান্নগী ত্রিনামুল কোংগ্রেস এম পি সরধা স্কামদা ২০১৩দা ফাখি অমসুং ২০১৬দগী বেলদা থোরক্তুনা লৈবনি।

চীট ফন্দ স্কাম অদুগা মরীলৈনবা ইভিদেন্স মাঙহনবগী মরাল শিরিবা কোলকতা পুলিস চীফ অসিবুসু ঙরাং রোজ ভেল্লি কেসকী মতাংদা ৱাহং–পাউহং তৌখ্রে।

সরধা স্কাম অসি মিষ্টর কুমারনা লূচীংবা, ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা শেমখিবা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই দি) টিম অমনা হান্না থিজিল্লম্বনি অদুবু সুপ্রিম কোর্টনা কেস অদু সি বি আইদা কোন্না খূৎশিন্নখিবনি।

# মনি লোন্দরিং কেসতা রেবার্ট ভদ্রগা মমাগা ৱা হংগদৌরি



***জয়পুর, ফেব্রুৱারি ১১ঃ***

মনি লোন্দরিং কেস অমদা হয়েঙ এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা ৱাহং পাউহং চত্থনবা ব্যুজিনেসমেন রোবার্ট ভদ্র অমসুং মহাক্কী মমা মৌরীন ভদ্র জয়পুরদা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটকী মমাঙদা মশা মশামক লাক্কদৌরি।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা পাউন্দ মিল্লিয়ন ১.৯ (চাওরাক্লা লূপা ক্রোর ১৭)কী মরল অমা লৈখিবদু মনি লোন্দরিংনি হায়বগী অতোপ্পা মনি লোন্দরিং কেস অমদসু প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রগী মপুরোইবা রোবার্ট ভদ্রবু হৌখিবা চয়োলদা নুমিৎ হুন্নি, পূং ২৪ হেন্না অকনবা ৱাহং–পাউহং চত্থখ্রবনি।

মিষ্টর ভদ্রবু মাগী এসোসিয়েট অমগী লনাই দ্রাইভর মহেশ নাগরবু মহাক্কী মমা মৌরীনগী মীংদা লৈবা চেক অমনা রাজস্থানগী বিকানেরদা লম লৈনবগী পৈশা পীহনখি হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা মরান শীরকখিবনি অমসুং মদুগী শেন পীথোক–পীশিনগী মরম অদুগী মতাংদা ৱাহং হংখিবনি।

# পার্লিয়ামেন্ট মথক্তা দ্রোন পাইবা ফ্রেঞ্চমেন ফাখ্রে



***য়াঙ্গোন, ফেব্রুৱারি ১১ঃ***

ম্যান্মারগী কোনূং নেপিদোদা লৈবা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্ট মনাক্তা দ্রোন অমা পায়রুবগীদমক ফাখ্রে হায়না ফ্রেঞ্চ এম্বেসিনা অশেঙবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

নুপা অদুনা গভর্ণমেন্ট বিল্ডিং অদুগী মথক্তা ম্যান্মার লোগী মখাদা আইননা য়াদবা ওইরিবা দ্রোন পায়বগী থবক –থৌওং অদু চত্থরুবনি।

২০১৭দসু জর্নেলিষ্ট ৩ মখোয়গী দ্রাইভরগা লোয়নননা জেলদা থমখি।

ম্যান্মারগী মেদিয়ানা ফ্রেঞ্চমেন অদুগী পাসপোর্টকী মরিকুম্বা ৱারোল অমসুং মহাক্কী দ্রোন অদু য়াওনা ফোটোশিং ফোঙখি।

ম্যান্মারদা খোঙচৎ অমা লাকখিবা ফ্রেঞ্চমেন অমা পার্লিয়ামেন্ট মথক্তা দ্রোন অমা পায়শিনহনখিবগীদমক ফেব্রুৱারি ৭, শগোলশেন নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতূংদা ফাখ্রে। মহাক হৌজিকসু নেপিদোদা ফাদুনা থম্লি হায়না এম্বেসি অদুনা হায়খি।

মহাক ফাবগী ৱাফম অদু মহাক্কী ইমূং মনূংদা পাউ খঙহনখ্রে অমসুং মহাকপু থাদোকহন্নবা এম্বেসি ষ্টাফনা হোৎনরি হায়রি।

করি করম্বা মরমদগী নৎত্রগা করি ৱাখলদগী মহাক্না দ্রোন অদু পাইরুরিবনো হায়বগী চপচাবা অশেঙবা মরম খঙদ্রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ হংনবা হোৎনবদা ম্যান্মার ওথোরিটিজ ফঙবা ঙমখিদে।

হৌখিবা চহি, ২০১৭দা সিঙ্গাপোরদগী লাও হোন মেং অমসুং মলেসিয়াদগী মোক চোই লিন কৌবা জর্নেলিষ্টশিংনা টরকিস ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর টি আর টিগীদমক দোকুমেন্টররি অমা পুথোক্লবা হোৎনখি।

ওক্টোবর ২০১৭দা সেঙ্গাপোর অমসুং মলেসিয়াদগী জর্নেলিষ্ট ২ অদুবু ম্যান্মার রিপোর্টর ওং নাইং সোই অমসুং দ্রাইভর হলা টিমগা লোয়ন্না ফাখি।

মখোয় চুন্নগী ফাইন অমখক্তমক্কী চৈরাক ফঙবা য়াই হায়না খনখি অমসুং মখোয়না পার্লিয়ামেন্টকী মথক্তা দ্রোন অদু পাইরুবগী মরান য়াজখি। অদুম ওইনমক মখোয়বু ফাইন তৌবগী মহুত্তা ম্যান্মরগী এয়ারক্রাফ এক্টকী মখাদা জেলদা থা ২গী চৈরাক পীখি।

# ইরান্না মিলিটরিগী পাঙ্গল শাগৎখিগনিঃ রৌহানি

***দুবাই, ফেব্রুৱারি ১১ঃ***

ইরানগী ঙাক–শেনবগী ওইবা থবক থৌরমশিংবু মপুক ফৎতবা য়েক্লবা লৈবকশিংনা লাকশিন্নবা শাফু ফনা পীরক্তুনসু লৈবাক অসিগী মিলিটরি পৱার অমসুং বাল্লিষ্টিক মিসাইল প্রোগাম পাকথোক চাওথোকহন্নবা অচেৎপা ফীরেপ লৈরি হায়না ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিনা ঙসি হায়খ্রে হায়না ষ্টেট টিলিভিজনগী পাউনা হায়রি।

তোঙান তোঙানবা মখল কয়াগী মীসাইলশিং পুথোক্লবা অমসুং শানবা ঐখোয়না অয়াবা পীবীয়ু হায়জখিদ্রি অমসুং হায়জরোই অমসুং ঐখোয়গী লম্বীদা মখা তানা চত্থখিগনি অমসুং ঐখোয়গী মিলিটরিগী পাঙ্গল পাকথোক চাওথোকহনখিগনি হায়না ইরানগী ইস্লামিক রিভোলূসনগী ৪০শুবা চহীগীদমক মীওই লিশিং কয়া পূল্লিবা টেহরানগী অজাদি (ফ্রীদম) স্কৱারদা ৱা ঙাংবদা রৌহানিনা হায়খি।

হন্দক য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অমুক হন্না থমজিল্লকখিবা সেঙ্কসন্সশিং ইরাননা মায়থিবা পীগনি হায়না রৌহানিনা ৱাশকখি।

# অসামগী ফিবমসিদা ভুপেনগী মচানুপানা ভারত রত্না লৌবা পামদ্রে

***গুৱাহাতি, ফেব্রুৱারি ১১ঃ***

বি জে পিনা লূচীংবা গভর্ণমেন্টনা লৈখিদ্রবা ডা. ভুপেন হজারিকাদা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা সিভিলিয়ান এৱার্দ, ভারত রত্না পীদুনা ঈকাইখুম্নবীরকখ্রবসু অসামগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মহাক্কী মচানুপা তেজ ভুপেন হজারিকানা মদু লৌবা পামদ্রে।

ঐহাক্না অসামগী ফিভম অসি খঙলে। ৱারবা মতমদা অসামগী মীয়ামগীদমক মতম পূন্নমক্তা লেপখিবা সুধাকান্তা ভুপেন হজারিকানা মঙোন্দা পীরিবা ভারত রত্না এৱার্দ অদু লৌনিংলমদবা য়াই, মরম অদুনা মহাক্কী মচানুপা অমা ওইনা ঐহাক্সু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মশা লৈখিদ্রবা তুংদা ঐগী অপোকপদা পীরিবা ইকাইখুম্নবা অদু লৌবা পামদে হায়না অসামদা ফোঙবা নুমিৎ খুদিংগী অসামিজ পাউ–চে ‘অসোমিয়া প্রতিদিন’দা তেজনা হায়খি।

অসামদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ঐনা অসামগী মীয়ামগীদমক থবক তৌগনি। ঐগী ৱাখল অমসুং পূক্নিং অসিনা ঈকাইখুম্নবা অদু লৌদনবা ঐঙোন্দা পাউতাক পীরি। ম্যুজিক মেষ্ট্রো অদু ইনষ্টিট্যুসন অমা ওইনা মহাক্তি ঈকাইখুম্নবা হায়বদুগী ৱাংমদা লৈ হায়না পাউ–চে অদুদা হায়খি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-38**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 2 | | | 3 | 1 | | 4 | |
| | | 3 | | 4 | 8 | | 1 | 2 |
| 1 | | 4 | 2 | | | | | 8 |
| 8 | 6 | | 5 | | | 7 | | |
| 4 | 3 | | 1 | | | 2 | | |
| 5 | | | | | | 1 | | 3 |
| 2 | | | 3 | | | 4 | | |
| | | 7 | | 1 | | 8 | | |
| | 1 | | | | 2 | | 3 | |

**সনা–সুদোকু –৩৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 2 | 4 | 8 | 9 | 3 | 6 | 1 |
| 8 | 9 | 4 | 3 | 6 | 1 | 5 | 2 | 7 |
| 1 | 3 | 6 | 7 | 5 | 2 | 8 | 4 | 9 |
| 9 | 2 | 5 | 8 | 3 | 7 | 6 | 1 | 4 |
| 3 | 8 | 1 | 6 | 2 | 4 | 7 | 9 | 5 |
| 4 | 6 | 7 | 1 | 9 | 5 | 2 | 3 | 8 |
| 6 | 1 | 3 | 5 | 4 | 8 | 9 | 7 | 2 |
| 5 | 7 | 9 | 2 | 1 | 3 | 4 | 8 | 6 |
| 2 | 4 | 8 | 9 | 7 | 6 | 1 | 5 | 3 |

# রাহুল গান্ধীনা জি ২০গী এনভোয়শিং উন্নগদৌরি

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১১ঃ***

পার্লিয়ামেন্ট মীখল কেম্পেনগী চীল্লবা মরক্তা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা দিল্লিগী তাজ পেলেস হোটেলদা চাকলেন অমগা লোয়ননা জি ২০ লৈবাকশিংগী এনভোয়শিং উন্নবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

উন্নবা অদুদা রাহুল গান্ধীনা তোঙান তোঙানবা মীৎয়েঙদগী ইন্দিয়াগী শক্তমগী মতাংদা খন্নবতা নৎতনা পাকিষ্টান, শ্রী লঙ্কা অমসুং অতৈ য়ুমলোন্নবশিংগা মরীলৈনবা য়াওনা হীরম কয়া ফোঙদোক্কনি হায়রি

# ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী য়াঙবা ট্রেনগী টিকেট মমলশিং কয়ানো?

***ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১১ঃ***

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী য়াঙবনি হায়রিবা বন্দে ভারত এক্সপ্রেস নৎত্রগা ট্রেন ১৮গী টিকেটশিংগী মমল কয়া –কয়ানো?

চেন্নাইদা লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ কোচ ফেক্টরিনা সুপ্নগী থা ১৮গী মনূংদা শাবা লোয়শিনখি হায়দুনা ট্রেন ১৮ মমিং থোল্লিবা সেমি–হায় স্পীদ ট্রেন অসি লৈবাক অসিগী মশানা শাজবা অহানবা হায়–স্পীদ ট্রেননি।



মসিগী টিকেটশিংগী মমলদি এয়ার–কন্দিসন চিয়ার কার টিকেট অমদা লূপা ১,৮৫০ অমসুং একজ্যুকিটিফ ক্লাসতা ৩,৫২০নি। মসি অয়ুক্কী চা, ব্রেকফাস অমসুং লঞ্চকী মমলশিং য়াওনা দিল্লিদগী বরানসি ফাওবগীনি হায়না ঙসি ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

হল্লকপগীনা চীয়ার কার টিকেটকী মমল ১৭৯৫নি অদুগা একজ্যুটিব কার টিকেটকীনা ৩৪৯০নি হায়রি। চিয়ার কার টিকেট মমল অসি চপ মান্নবা অরাপ্পা অসি চেনবদা শতাবদি ট্রেনশিংগী মমলগী ১.৫ লোমনি। একজিক্যুটিব ক্লাসকীনা টিকেট মমল অদু প্রেমিয়ম ট্রেনদা ফার্ষ্ট ক্লাস এয়ার কন্দিসন টিকেট মমল ১.৪নি হায়না ওফিসিয়েল লিখুলশিংনা ফোঙদোক্লি।

সেমি–হায় স্পীদ ট্রেন অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা ফেব্রুৱারি ১৫দা হৌদোক্তুনা লমথাগনি।


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF ECUCATION (S)**
**(Administrative Section)**

**NOTIFICATION**

Imphal, th 8th February 2019

**No. AO/252/MTS/2016(5)-DE(S) Pt-I:** It is hereby notified for general information to all the intending candidates who have submitted applications for recruitment to the post of Multi Tasking Staff (M.T.S.) in the Department of Education (S) that the Written Examination has been scheduled on **3th March, 2019 (Sunday) at 11 a.m.** sharp at the respective Examination Centers which will be notified soon.

2. Further, the pattern of Examination will be restricted to only Written Assessment of Multiple Choice Question (MCQ) for 50 (fifty) marks.

Sd/-
(Th. Kirankumar)
**Director of Ecucation (S), Manipur.**

*SL/BILL(H)/12*